# লম্বা চানদবা লাম্হেং অমা!

**- মুতুম দেবলা -**

ঐখোয়না ৰারী ওইনা তারকই, অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও, অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও! লানগী ৰারীবু করি নুংঙাইরুনি। অশি-অনা, অতেক-অকায়, লাঞ্জেন্নবা, চাবা ফংদবা, মীওৎ-মীনৈ অসিতনি। ৰারী সুম তারকপদা খিত্তং নুংঙাইবা মতাং হায়ববু, য়েক্লুবা লান্মী মরক্তা পুকচেল চাউবা লান্মী য়াওরম্বা, মদুদি নুংঙাইবা মতাং ওইখি। মখোয়দু অশেংবা মীওইবনি হায়সিরা? নৎত্রগা পাঙদবা মরৈবাক নুংশিদবা লান্মী কৌগদ্রা? ইপু-ইবেনশিংনা হেক-হেক লীবিবা ৰারীদা জপান লানসিসু অমনি। কোম মনুংদা লোৎপগী ৰারী, মফম অমদা লাঞ্জেনবা, লাঞ্জেল্লুবা হল্লকপদা মপোৎ-মচৈ লৈরমদবা, যুম লৈরমদবা, শা-ষণ শিরম্বা, থাজদ্রবা ৰারীদু য়া কাদুনা তাখি। ইপঙ পঙনা হংখিবসু য়াওই, 'কোম মনুংদা লোৎলিদু শ্বর ফুন্দ্রা?' খুন্বীরকখি, 'এ, চাউখ্রবা কোমনিদা! শ্বর হোনবা য়ানবা শেন্মীবনিনে।'

ঙক্না খঙদনা, ৰাখলনা শাগৎতুনা ৰারী তাখি। মতমদুগী লান্দু লান ওইরবসু ঈংনা-চিক্না তৌবা লান মাল্লি। বোম থাদরমদাইদা সাইরেন খোংদুনা মী পুম্নমক কোম'নুংদা চঙনবা খঙহল্লিবদুনদি ঈংনা তৌবা লাননি।

মতমদু ঐ ক্লাস সিক্স/সভেন তল্লি মাল্লে। ইস্কোল তৌবদা থেংনবনি হায়দুনা য়াম্না নানবা উগী উতোং অশাংবা মচা অমা লৈরম্মী। হাংদোক-হাংজিন য়াবা মখুম য়াওই। মনুংদা 'থরমোমিটর' ফিট অনীমুক শাংবা য়াওই। অদুগা উগী শৎতোকপা য়াবা অপিকপা মখুম অদুগী মনুংদা হক্লগা 'মেদ ইন জপান' হায়না থাবদু উই। মতমদুদা পোৎতুগী ভেল্যু খঙখিদে, ঐনা কোক চিকপা মখৈ খনখিবা হায়ববু, 'উনা করম হায়না অসুক পিকখ্রবা উতোং অসি শারিবনো?'

ঙসি লৌশিং খরা লৈরক্লবা অসিদদি পোৎতু মমল য়াম্না লৈবগুম নীংশিংলকই। মাইবম লোকপা চীংদা লৈরিবা জপান লানগী নীংশিং ম্যুজিয়মদুদা থমনীংখি। অদুবু পোৎশক্তু ঐগী ইমুংদা থিবদা ফংদ্রে। করম্না মাঙখ্রবনো খঙহৌদ্রে। নিংদোল পোমহৌবতা ঙাইরে।

ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা লান অসিনা কোমমক্তি তৌদ্রে। ফজবা ৰাহে 'লোকদাউন', 'ষ্টে হোম' হায়বনা মহুৎ শীন্দুনা মীয়াম্বু শোক্তনবা লোত্তুনা লৈহল্লি। হন্দক্কী লান অসিদি হান্না লানপাউ পীরকপসু নত্তবা, লৈবাক পান্বগীরা? নুপী পান্বীগীরা? হায়বসু খঙদবা, শ্বর শৎপী লান হায়দু তারে। লান হায়বসি থোকহনবা য়াবগী মরম খরদি লৈবা তাবনি। মীওইবনা শিংবগী পনখৈ লাল্লুবগী লান! অমনা নুংশিনদবা, খুদুম চন্নিংবা, নাপল উৎনীংবগী লান! লানগী অরোইবা মহয়দি, মীওইবা মাঙহনবা, শেল-থুম মাঙহনবা! পূনশিল্লগা লানগী চৈনা!

কোরোনাগী লান্দা অসিগী অরোইবদা মালেম অসি করি ওইহনগদৌরিবা! মসিদি মীচম মীয়ামগী ৰাখলগী ৰাংমদনি। লাইগী ৰায়েন্দসু, অখঙ-অহৈ তাইবঙগী ৰায়েন্দসু, তৌখিবা, তৌরুবা থবক অমগী ফংফম থোকপা মহয় অদু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা ফংই হায়বসি পুম্নমক্না খঙনদবা ৰাহে নত্তে। অশোয়বদি ৰাহেদুবু কাউথোক্লুবা মীওইবগী লৌশিং অদুবুনি। কোরোনাগী লান, খুৎশেম্বু ওইরবসু, মহৌশানা থোকহনববু ওইরবসু লৌশিং লৈরবা মীওইবা খুন্নাইদা পাড়া অমা পীবনি হায়না লৌবসু য়াই।

মালেম হায়বা ফজখ্রবা, নুংশিখ্রবা, থৰায় পানবা পুম্নমক্কী হিংফম ওইরিবা মালেমথক অসিদা লেপ্লিবা নাপল কারবা মীওইবা খুন্নাই! মখোয়গী ৰাখল লৌশিং করিদগী ফংলকখিবনো কাউথোরকপা। মালেম নত্তনা অতৈ গ্রহ অমদা জীব পানবা হিংবা ঙমদে, মসিসু খঙই, মীওইবা।

ঙসিদি কোরোনানা মমল য়াল্লবা 'লানগী খুৎলায়শিংবু মায়থীবা পীরক্লি। থৰায়বু সাইন্সনা শাবা ঙম্বরা? মীওইববু রোবোটনা মহুৎ শীনবা য়াব্রা? খঙদবসু নত্তে, কাউথোক্লবনি। কোরোনানা লান্দারিঙৈ মনুং অসিদা মীওইবা ঐখোয়দা করি ফাওবগে, করি ফাওহনবগে? ফাওরিবা অসিমক মতম চুপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈরবদি মীওইববু করিগুম্বা অমত্তনা মায়থীবা পীবা ঙম্লোই।

লৈঙাকপা, লুচিংবশিংগী চপ চাবা মীনুংশি, মথৌ, মান্নবা মীৎয়েং, মীয়ামগী অশেংবা পুকচেলগী তেংবাঙ! অরোৎপা লৈত্রবা অচুম্বা মশক অমনি মীওইবগী। লুরবা তানফম অসিগী থৌদাংদি, লৈঙাকপশিংগী ৰারেপ্তা, মীয়াম ঐখোয়না ওনবা ঙম্বা, লম হেন্দবা হায়বা অসি নত্তনা অতৈ লৈতে।

লাইবক থীবনা 'গ্রীন গোন' ওইরে হায়না লাউথোক্লুরবা মতুং, মপান লমদা লৈরুবা মণিপুরীশিং মরমদা হল্লকপদগী অনৌবা লাইবক থীবা অমুক ওইরে। ঐখোয় হরাউবসু, কপ্পসু য়াখিরোই। মরৌ লৈবা কোরোনানি।

খরনা হায়নবসু য়াওরি, 'অদুম লৈবা য়াদ্রা খঙদে, খুদোংথীরকপদা মরম নুংশিরক্লমালে। মপান লমদা মহৈ তম্লগা, থবক তৌরগা হেন্না লেম্বগুম খন্নরে।'

অসুম্নমক্তি খলহন্নীংদবনি। শেল পায়বা, য়াইতোং ফমদোংবগী মচা-মশুশিংগী ৰাদি হায়জবা ঙমদে। লায়রবা ইমুংগী মচা-মশুগীদি হিংদবা য়াদে, মহৈ তমদবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ৰাখলদা মীরমদা চৎনবা ওইরমগনি। মরমদি ঐখোয়গী লমদম অসিদা তমনীংবা মহৈ অমা তম্নবা ইন্সটিট্যুসন, সিট, তমগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগা চাননা লৈতবনা খুদোংচাবা থিরুবা তাবনি। হৈরুবা নৎত্রগা তম্লুরিবা মহৈ অদুগী থবক ইরমদম অসিদা লোইনা ফংবা নত্তে। ইরমদম নুংশি হায়দুনা ঐখোয় খুৎ পুল্লগা লৈবা য়াবা নত্তে। চৎপা তাবনি, থিবা তাবনি। মপান্দা মহৈ তম্লিবা, থবক তৌরিবশিং অসি মরমদম্বু নুংশিদে হায়দুনা চৎনবা ওইরল্লোই। পাম্বৈ য়েংনা লম্বী থিনখিবা ওইরম্বসু য়াই। অৱাবা তারে হায়দুনা চেল্লকপা ওইনা উহন্নীংদে। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ময়ূমদা হল্লকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। লুরবা তানফম অসিদা, লুম্না ঙাঙববু ওইরবসু য়াঙনা হায়ববু ওইরবসু ৰাহেদু হায়হন্নীংদে। ঐখোয়না তরাম্না ওকফম থোকই। ঐগী মীদি ঐখোয়গীনি। তাবদা নুংঙাইরোইদবা ৰাদি কাঙথোক্লোইদবনি। মখোয়গীসু পাউখুম লৈরমগনি, 'নখোয়দি চৎপা ফংজবরো?' হায়না খুম্লক্লবদি খৎনবা হায়বদু অদুম ওইরোইদ্রা?

ঐখোয় ৰামিন্নবা তাবনি, লেপমিন্নবা তাবনি। পি শিন্থবগীসু কান্নররোই, থৌনা ফরুবনসু কান্নররোই। অখঙ-অহৈনা পীরকপা পাউতাক, ঐখোয় পূন্না ইনবতনা য়াইফগদবা মতমনি। ইচা নারবসু, ইমা-ইপা নারবসু চঙদুনা থৌগল তৌবা য়াদ্রবা, করি চানীংই, করি তৌরকউগে হংবসু য়াদ্রবা, শিরবসু লৈ মনা অমা কৎপা য়াদ্রবা, মসিদগী হেন্না লুবা, মসিদগী হেন্না থম্মোয় শোকপা লৈরিব্রা?

থাজগন্দবা মীওইবনি। থোক্লগদবা, ওইরক্কদবা খরা ইঙ্গিৎ পীরম্বা মখোয়দু অঙাওবনি। মরমদি মখোয়না খুদম পীরমদবনিনা। খুদম চাংদম য়াওদ্রবদি থাজবা ঙমদে তাইবঙ মীদি। মসি মীওইবগী মরাল নত্তে, মীওইবগী মচৎনি। ঐখোয়না মাঙদা চঙশিল্লি লেপ্তুনা, পন্থুং অদুতবু ফংনবা, য়ৌনবা। অদুবু পন্থুং অদুগী মরুমদা লৈরিবা করিগুম্বা খরা অদুদি ঐখোয়না উগে খল্লুদে।

গাড়ী থৌবনা লম্বী চুম্না থৌবীরবা
ল্যেব-শিংদা মীনা অহৈ-অশিং শারুদ্রবা
সাইন্সনা মশাগী ঙমখৈ মশক খঙলবা
মীওইবনা মীওইববু খঙবা ঙল্লবা
থৰায়গী মহুৎ শীন্নবা মালেমদা লৈতে খঙলবা
করিগী লান? করম্না লান?
কনানা কনাদসু... মসিগী ৰাহস্থোক য়াম্মী।

চাওখৎলবা মীওইবগা মহীক মচা অমগা লান তৌনবা লম্বাদি চাদে হায়দুনি। অদুবু ঐখোয়গী লুচিংবগী পাউতাক 'সোসল দিষ্টেন্সিং' না অচৌবা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা মীয়ামদা পীরি। ঐখোয় লৌসি, লাইচৎ অসিগীতা নত্তে, মীওই অমগা মীওই অমগগী মরক্তা লৈবা, থল্লিবা ফজবা থৌগল্লোন লোনচৎ অমসুনি হায়না লৌবা য়াই। লাইচৎতি থমখিসি, ৰাহেসিবু ঙাক্লা চৎলবদি নুংশিনদবা, শাউনবা, খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ফজবা ৰাহে অমসুনি। কোরোনা লোইখ্রবসু 'সোসল দিষ্টেন্সিং' মীয়ামগী ফজবা দিসিপ্লিন ওইনা লৌশিনসি।

*"Do not dwell in the past, do not dream of the future, concentrate the mind on the present moment."*

*- Lord Budha*

ঙসি ঙসিগী চপ চারবা ৰাহে ওইরব্রা?

হৌরক্কদবা অঙাংশিংদা ৰারী লীনবা এক্সপরিয়েন্স অমদি লৈরে। অদুবু কোরোনানা পুন্সিবুসু খুদুম চনখ্রগদ্রা? ৰারী হৌদ্রিঙৈদা... লম্বাদি ইচা চাদনা! ●

## ষ্টেটকী পাউ

### পি দি এসকী চেঙ চিংথোকপগী থবক চথনরি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী অৱাবা অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা মীয়ামদা পি দি এসকী চেঙ থা থাগী ফহন্নবগীদমক চীংথোকপগী থবক য়াম্না কন্না চথরি।

জুন থাগী ওইনা এলোকেসন থোকখিবা পি দি এসকী চেঙ অমসুং হৱাইনচিংবা কয়া য়েন্থোকপগী থবক মফম কয়াদা চথরি। ঙসি তামৈ এ সীগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১২২৭.৩৬ এফ সী আই গোদাউন জিরিবামদগী চিংথোকখি। সনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী টদুবি এ সীগী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১৯৫৩.৪ চিংথোকখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ৩৫৪৮.৩ চিংথোকপগা লোয়ননা য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

শগোলবন্দ অমসুং ৰাঙ্গোই এ সীদা বেনিফিসরিশিংদা য়েনবা হৌখ্রে। শগোলবন্দ এ সীগী হৱাই ক্বিন্টল ৯১.৯৬সু চিংথোকখ্রে। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চেঙ ক্বিন্টল ১৪৩৯.৫ চিংথোকখ্রে। এফ সী আই গোদাউন উখ্রুলদগী জুন থাগী এলোকেসনগী চেঙ অদু চিংথোকখিবনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৰাংখৈ এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ২৪০৮ ঙসি চিংথোকখ্রে। খুন্দ্রকপম, থোংজু, খুরাই, লল্লাই, অন্দ্রো, কৈরাও, ক্ষেত্রিগাও, য়াইস্কুল, ৰাংখৈগী ওইনা জুন থাগী এলোকেসন অয়াম্বা চিংথোক্লখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা এ সীগীশিংগী জুন থাগী এলোকেসন থোকখিবা পি দি এসগী চেঙ চিংথোকপগী থবক চথনরি। লিলোং এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ২২৯০.৪৫, ৰাংজিং তেন্থাগী ক্বিন্টল ২৩৪০, থৌবাল এ সীগী চেঙ ক্বিন্টল ২২২১.৯০ চিংথোকখ্রে। হৈরোক অমদি লিলোং এ সীগী ওইনা বেনিফিসরিশিংগী চেঙ চিংথোকপা অমসুং য়েন্থোকপগী থবকসু চথনখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৱাই ক্বিন্টল ৯৭.৮৭ য়েন্থোকখ্রে।

লোকদাউন মনুংদা চিঞ্জাক্কী থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি য়েংলগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পি এম জি কে এ ৱাই, ও এম এস এস স্কিমশিংগী চেঙ লেপ্তুনা চিংথোকপগা লোয়ননা ফংহনবগী থবক চথরি। কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংদা চান-থক্লবা চিঞ্জাক্কী তঙাইফদবা ফিভম থেংনরিবা অসি য়েংলগা পি দি এসকী চেঙ অমসুং হৱাই গোদাউনশিংদগী চিংথোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা য়েন্থোকপগী থবক চথদুনা লাক্লি। ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংগী ওইনা গোদাউনশিংদগী চেঙ অমদি হৱাইনচিংবা চিংথোক্লখ্রে। দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা গোদাউনশিংদগী এ সীশিংগী ওইনা চিংথোক্লবনি হায়রি।

### প্রসিদেন্ট ওইরকপদা তরাম্না ওক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : প্রোফেসার এস তিকেন্দ্রনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরকপদা তরাম্না ওক্লি হায়না বি জে পি চান্দেল মন্দলগী প্রসিদেন্ট সুংপিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চান্দেল মন্দল কম্মিতিগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়াবু শীংথানখি। সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরাংশিংবুসু থাগৎলি। লোকাদউননচিংবা চথদুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা খোঙথাং কয়াসু লৌখৎলক্লি। পেন্দেমিক অসি থেংননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং কয়া অসিদা থাজবা থল্লি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ অসি কম্ম্যুনিতি স্প্রেদ থোকহন্দনবা থবক পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসি থেংননবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা চান্দেল মন্দলনসু সপোর্ট তৌগনি। চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্তা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম তোঙান-তোঙানবা কম্ম্যুনিতিশিংগী শাগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৰাফম সপোর্ট তৌই। মসিনা লৈঙাক অমদি মীয়ামগী মরক্তা থাজনবা অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা মতেং ওইগনি। ফুরুপশিংনা অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু চীফ মিনিষ্টরনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি সপোর্ট তৌফম থোকই হায়নসু মখা তারি।

### মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমতোন কোলেজদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা সোরাইশম স্পোর্টস ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদকী এম দি সোরাইশম গোবিননা লুপা ৩০,০০০ মতেং পাংখ্রে।

কমখ্যা পেমতোন কোলেজদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর অসি চহীসিগী মে ১২ দগী হৌরকখিবনি। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক ঙসি সোরাইশম স্পোর্টস ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদকী এম দি সোরাইশম গোবিননা শেনফম অসি মতেং পাংবনি হায়রি।

### থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ থেংনবদা মিদিয়াকী মীওইশিংনা ফ্রন্টলাইনদা থেংনরিবা কয়াবু চীফ মিনিষ্টরনা খঙবিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী জেনেরেল সেক্রেটরী নেংখালুংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা দিয়ুটি তৌরিঙৈদা খুদোংথিবা নংবা, মিদিয়া পার্সনশিংদা এক্স গ্রেসিয়া লুপা ৫,০০,০০০/১০,০০,০০০ পীগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুগীদমক মণিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা থাগৎলি হায়না মখা তারি।


**/ নূংশঙগী মতিক চাবা ওজাদি অবদুল হক কবিরাজনি**

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, থুপ্পা-শাবা, অমাংথোঙ ময়াদা চেকখাইবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, চানীং-থক্নীংবা পোক্তবা, নময়াং নাবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, পুক নাবা, থবাক নাবা অমদি খ্বাং নাবগী অৱাবশিংদু ওজা অবদুল হক Contact No. 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অবদুল হকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমদি :-**
Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5pm)

HL-P/6782/5 *থাগৎচরিবা :* **Ng. Bishorjit, Thoubal Bazar**



**/ Thanking**


সুধাকর

I am thanking Laishram Sudhakar (Shamu) S/o Laishram Nabakishore (Padmashri Awardee) of Sagolband Khamnam Leirak, near ITI, Imphal for curing from my right Ureteric Calculus.
May good bless you.

**Sd/- Sarjubala Thounaojam**
**Nongmeibung Nambam Chuthek**
**Thoujaojam Kollup.**

HL-P/6785/5



**ONLINE CLASSES**

**PHOENIX ENGLISH COACHING**

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-P/7003/17,19


**/ অৱাবা ফোঙদোকচবা**



নোংমৈবুং চকপ্রম লৈকায় শিংলূপকী ত্রেজরর ওইবিরম্বা শ্রী কৈশাম শান্তিকুমার সিংহনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা মে ২৯ ইরাই নুমিত্তা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা শিংলূপকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর শ্রী এল মনি সিংহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা অসিনা লাইরমলেন্দা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা ঈশ্বরদা খুরুমজরি।

**ফোঙদোকচরিবা : সৌগাইজম সামসন সিংহ**
**সেক্রেটরি**
**নোংমৈবুং চকপ্রম লৈকায় শিংলূপ, ইম্ফাল**

HL-P/6787/5

**/ অৱাবা ফোঙদোকচবা**



মৈতৈ ইপানাৎ-ইপুনাৎ কনবা লূপ (মীকল) কাইরংগী মতম শাংনা লুপলোই ওইবিরম্বা তখেলময়ূম ইঙোচৌবী মৈতৈনা ইখঙ খঙহৌদনা, মনুং মতম চাদনা চৈচৎ ০২/০৬/২০২০ কুমজা, ইঙাগী ১১নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদবা অসিদা মৈতৈ ইপানাৎ-ইপুনাৎ কনবা লূপ (মীকল) গী লূপলোইশিংনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি অমসুং তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা লৈখিদ্রবগী থৰায়না ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না মপুগী মফমদসু থৌনিজরি।

**নোল্লুকচরিবা :- এম এস অঙোমচা**
**থৌশিল্লাংবা, মৈতৈ ইপানাৎ-ইপুনাৎ কনবা**
**লূপ (মীকল) কাইরং**

HL-P/6784/5

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 181/SDC/IW -L/2020**
Chabungbam Ranjit Singh S/o (L) Mangi Singh of Sagolband Tera Loukrakpam Leikai. ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Wairokpam (N) Amureima Devi D/o (L) Angangjao Singh of Uripok Khumanthem Leikai. ... O.P. Party

**/ NOTICE**
The 3/06/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার ৱাইরোকপম নিংঙোল অমুরৈমা দেবী পীং মৃ: অঙাংজাও সিংহ সাং উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৬৩ - হৈবোংপোকপীগী অনৌবা পাট্টা নং ১১৭, দাগ নং ৭, এরিয়া ১.৩৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6786/5 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 180/SDC/IW -L/2020**
Aribam Tombi Sharma S/o (L) A Brajamani Sharma of Lamsang Bazar, Taothong Khunou. ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Aribam Brajamani Sharma S/o (L) Leiren Sharma of Lamsang Bazar. ... O.P. Party

**/ NOTICE**
The 3/06/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার অরিবম ব্রজমনি শর্ম্মা পীতা মৃত লৈরেন শর্ম্মা সাং লমশাংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৯৫- তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ৫১৮, দাগ নং ৩০৯/৬০১, এরিয়া ০.০০৪ চাওবা ইস্কোল (দুকান) অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/6786/5 ***Sd/- BC to SDC-IW/Lamsang***

**/ শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম :**



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বী পোৎশঙবম ভানু দেবীনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০২/০৬/২০২০ ইং, ইঙাগী ১১নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী ভানুবতী চৈত্যনা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৭/০৬/২০২০ ইং, ইঙাগী ১৭নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৫/০৬/২০২০ ইং, ইঙাগী ২৫নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা বস্তু খরদং লাংজদুনা শ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা ঙমজবা খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈবা মরম্না লাইগী থৌরমতমক অকক্লবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা পুম্নমক্না ৰারৌবীদনবা নীংশিংজরি।

**বিনিট : পোৎশঙবম নিলাকান্ত সিংহ (মচানুপা) অমদি ইমুং-মনুংশিং**
**হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়, ইম্ফাল**

HL-P/6788/5

**/ অৱাবা ফোঙদোকচবা**



শ্রী নাওরেম দিনচন্দ্র সিংহ, চিংঙামখা ইরোম লৈকায়দা লৈবনা ইখঙ-খঙহৌদনা হৌখিবা জুন ২, ২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঐখোয় খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা ঈশ্বরগী খুয়াদা চঙজখ্রে।

শ্রী দিনচন্দ্র সিংহ ভারতিয়া জনতা পার্টি শিংজমৈ মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুদুনা পার্টি অসিগী চাওখৎনবা হোৎনরম্বা কারয়কার্তা অমনি। শ্রী নাওরেম দিনচন্দ্র সিংহনা লৈখিদবা অসি পার্টি অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না ঙসি ফমখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমদা শিংথাখি। শ্রী নাওরেম দিনচন্দ্র সিংহনা লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা মেম্বরশিংনসু শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী খুয়াদা শান্তি ওইনা লৈখিনবগীমক মীফমদুনা মিনট অনী (২) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

**ফোঙদোকচরিবা : মাইবম রোমেনচন্দ্র সিংহ**
**জেনরেল সেক্রেটরি**
**ভারতিয়া জনতা পার্টি, শিংজমৈ মন্দল**

HL-P/6791/5

**/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা শেল অমত্তা লৌদনা চেঙ মথং-মনাও নাইনা (১) তাং ২৭-৩-২০২০ ইং, (২) তাং ১৯-৪-২০২০ ইং, (৩) তাং ১২-০৫-২০২০ ইং, (৪) তাং ১৮-৫-২০২০ ইং, (৫) তাং ২৮-৫-২০২০ ইং, (৬) তাং ০১-০৬-২০২০ ইংদা তরুক্লক চেঙ য়েনবীবগীদমক লমলাই এ সীগী ওনরেবল এম এল এ শ্রী কে এস ঐচ বিরেন সিংহবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মহাক্না তৌরু-তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইহনবীয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

**ফোঙদোকচরিবা : (১) ঙাঙোম (ওংবী) মেমচাতোম্বী (প্রসিদেন্ট), (২) কৈশাম (ওংবী) তোম্বী (সেক্রেটরি), (৩) সেরাম (ওংবী) সিল্লা (জোইন্ট সেক্রেটরি), (৪) সেরাম (ওংবী) খোমদোন (কেসিয়র), (৫) মেম্বরশিং**
**চাওখৎ খোঙথাং নুপী মরুপ, য়াইঙংপোকপী**

HL-P/6789/5

**/ মনি বেগ তাহৌরে**

হৌখিবা জুন ৩, ২০২০দা উরিপোক্তগী গেম ভিলেজ জোন ফোর ফাওবা চৎপগী লম্বীদা ঐগী মনি বেগ অমা তাহৌরে। মনি বেগ অদুগী মনুংদা ড্রাইভিং লাইসেন্স, আর সী বুক অমদি সর্ভিস আই কার্দনচিংবা য়াওখ্রে। কনাগুম্বনা হায়রিবা মনি বেগ অসিবু থেংনবীবা অমদি খুনবীবা য়াওরবদি মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বরশিং অসিদা পাউ পীবিরকউ। অৱামন মতিক চানা তৌজগনি।

**Sd/- Ningthoujam Indrajit Singh**
**# 9089957415, 7085939662**

HL-P/6790/5